# মমাংগী চেম্পিয়ন এ টি কে মোহন বগাননা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে

1st Feb, Monday (79th Match)
Odisha FC
vs
Jamshedpur FC
Time : 7:30 PM


এ টি কে মোহন বগান (ওই) অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স (য়েৎ)কী শান্নরোয়শিংনা বোল মুন্নখিবা

ফটোর্দা, জন্যুৱারী ৩১(এজেন্সী): গোৱাগী ফটোর্দাদা লৈবা জ ৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭৮শুবা মেটচতা মমাং চহীগী চেম্পিয়ন এ টি কে মোহন বগাননা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু মণিপুরদগী এল অজিৎকুমার মৈতৈনা সেন্ট্রল রেফরি ওইখি। মেটচ অসিগী মাংওইননা এ টি কে মোহন বগান মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ১৩দা পোইন্ট ২৪ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা অদুম্মক লৈখি। অমরোমদা, কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী মেটচ ১৪ শান্নবদা পোইন্ট ১৫ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপদা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী মায়কৈদগী ফজবা হেনখি। শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা কেরলাগী সন্দিপ সিংহনা য়েৎথংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা খাইদোরকপদা টিমমেট গেরি কুপরনা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

গেরি কুপরনা অহানবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং শান্নবা অদুগী অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপ্পা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৬তা ঙাইরিঙৈদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী কোষ্টা নামাইনেসুনা হেদ তৌশিল্লগা অনীশুবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকপদা এ টি কে মোহন বগানগী কিপর অরিন্দমনা ঙাকথোকখি। মদুদগী থক্তোরকপা বোল অদু কোষ্টানা অমুক্কা হন্না কাওশিন্দুনা টিম অদুগী পাঞ্জল ২ শুখি। মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা এ টি কেগী মার্সেলো পেরৈরানা ৫৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লবা মতুং রোই কৃষ্ণনা পেনাল্টিদা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। লোয়ননা মেটচকী ৮৭শুবা মিনটতা কৃষ্ণনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অঙনবা মেটচ অমদা হায়দরবাদ এফ সীনা চেন্নাইন এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অদুগী পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অহানবা অদু মেটচকী ২৮শুবা মিনটতা এফ সন্দাজানা চনখি। অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা মেটচকী ৮২শুবা মিনটতা জে সিয়ানিসনা পাঞ্জল চল্লগা ২-০দা থোইখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 14 | 9 | 3 | 2 | 20 | 7 | 13 | 30 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 14 | 8 | 3 | 3 | 16 | 9 | 7 | 27 |
| 3 | Hyderabad FC | 15 | 5 | 7 | 3 | 20 | 16 | 4 | 22 |
| 4 | FC Goa | 14 | 5 | 6 | 3 | 19 | 14 | 5 | 21 |
| 5 | Northeast United FC | 14 | 5 | 6 | 3 | 19 | 18 | 1 | 21 |
| 6 | Chennaiyin FC | 15 | 3 | 7 | 5 | 11 | 16 | -5 | 16 |
| 7 | Bengaluru FC | 14 | 3 | 6 | 5 | 17 | 19 | -2 | 15 |
| 8 | Jamshedpur | 14 | 3 | 6 | 5 | 13 | 17 | -4 | 15 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 15 | 3 | 6 | 6 | 19 | 25 | -6 | 15 |
| 10 | East Bengal Club | 14 | 2 | 7 | 5 | 12 | 18 | -6 | 13 |
| 11 | Odisha FC | 13 | 1 | 5 | 7 | 13 | 20 | -7 | 8 |

# মরুপ এফ সী হৈরোকনা অপূনবা এফ সী সগোলবন্দবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচএনএস): উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়টতা হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৪শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট, প্রধান ট্রোফি ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা মরুপ এফ সী হৈরোকনা অপূনবা এফ সী সগোলবন্দ পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা য়াম্না মান্ননা হৌরকখি। টুর্নামেন্ট অসি পুংখায় অমনা হাফ ওইরগা অতোপ্পা পুংখায় অমনা অনীশুবা হাফ ওইদুনা পূন্না পুং ১গী মতমদা লম্বা তৌনবা মেটচশিংনি।

অহানবা হাফ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৪খক চঙশিল্লকপদা মরুপ এফ সী হৈরোককী জর্সি নম্বর ৪ সঞ্জুনা শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অপূনবা এফ সী সগোলবন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু মরুপ এফ সী হৈরোককী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজবা মওংদা ঙাকথোক্তুনা পাঞ্জল চলহন্দনা থমখি। শান্নবা অদুগী লোইশিল্লকপা মতম মিনট ৬০ শুরকপদা মরুপ এফ সী হৈরোককী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ অরুননা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না অপূনবা এফ সী সগোলবন্দবু ২-০দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা টি ৱাই দি এ তৌবুলনা এল এন এফ সী উৎলৌবু থোইরম্বদগী ফাইনেলদা মরুপ এফ সীগা লম্বা তৌনরগনি।

# অনীশুবা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে



থৌবাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচএনএস): হাওখা কিয়াম-কিয়াম সিফাই স্পোর্টএসোসিএসন (ঐচকেকেএসএ) থৌবালনা এ এম এফ এ মণিপুরগী স্পোন্সরশিপ মখাদা শীন্দুনা নুমীৎ ১৫নি চুপ্পা চৎখিবা অনীরকশুবা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, এ এম এফ এগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতনকুমারনা থৌরম মপু অদুগা ঐচ কে কে এস এ, থৌবালগী প্রসিদেন্ট ডা. থোঙাম কোমোলনা ফঙ্কসনেল প্রসিদেন্ট, ঐচ কে কে এস এ, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী প্রসিদেন্ট মুতুম মনি, টি এম সী ৱার্দ নম্বর ১২গী কাউন্সিল্লর খুঞ্জাময়ুম থম্বাল, ৱার্দ নম্বর ১৫গী কাউন্সিল্লর নিংথৌজম ওংবী শান্তি, ৱার্দ নম্বর ১৬কী কাউন্সিল্লর মুতুম ইবোবী অমদি এ এম এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইফাংবম জ্যোটিরমোই রোই, এ এম এফ এগী গ্রাসরুট লাইসেন্স হোল্ডর থাংজম ওজিৎনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোলদা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা স্পোর্টসকী কান্নবা মরুওইবা ৱাফম কয়া থল্লদুনা অসিগুম্বা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসিনা অঙাংশিংদা টেলেন্ট, স্কিল, সেল্ফ কনফিদেন্স, দিসিপ্লিন অমদি মোরেল হেনগৎহনবদা নৎতনা, ফিজিকেল্লি মশা-মঊ ফনা থম্বদা চাওনা কান্নবা ফংহল্লগনি। দিভলপমন্টে প্রোগ্রাম অদুবু শিল্লিবা ঐচকেকেএসএ অমদি এ এম এফ এগী থৌবুরোইশিংবু এম এল এনা থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

এ এম এফ এগী মায়কৈদগী এ এফ এফ এগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ফুটবোল হায়বা মশান্না অসি ঙসি মালেমদা ঈং-তপ্পা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মশান্না অমনি। মালেম অসিদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোককয়ানা মরম ওইদুনা মমা-মপা লৈজদ্রবা অঙাং কয়ানা নৎতবা লন্থীদা চৎখিগদবা কয়া অদুদগী কন্নবগীদমক ফিফানা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পায়খৎপা হৌখিবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থল্লদুনা ঐখোয়গী অঙাংশিংসু নৎতবা পামদবা লন্থীদা চৎখিদনবা মশান্না অসিবু থৌগৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি লোইশিনখিবা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদুদা পীক্লিবা শান্নরোয় ১০০বু ফুটবোলগী কোচ ৩না তাকপী-তন্থীখি হায়রি। ঙসি লোইশিনবগী নুমীৎ অদুদা দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংদা পার্টিসিপেসন সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা এফ আই দি এ ফুটবোল একাদেমি তেন্থাগী শান্নরোয়শিংগা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা ফুটবোল মেটচ অমসু শান্নখি।

# এলিট গ্রুপতা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না রেজ নাগামপালবু ৱিকেট ৮দা থোইখ্রে, প্লেট গ্রুপতা ক্রাও অমসুং ঈ এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১(ঐচএনএস): ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) লংথবালনা রেজ নাগামপালবু ৱিকেট ৮দা এলিট গ্রুপকী মরিশুবা মেটচতা থোইবা ঙমখ্রে। প্লেট গ্রুপতা ক্রাও খন্নাম বজারনা ৱাই দব্লিয়ু সী (পি) পাৎসোইবু রন ২৫২দা, অদুগা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেনা সী দি সীবু রন ১৯০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লুৱাংশংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদ অমসুং দব্লিয়ু রামামন্দ এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী মরিশুবা মেটচ অদুগী টোস রেজ নাগামপালনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০ শান্নগদবা অদুদা শুপ্পগী ওভর ২৬খক শান্নরগা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ৫৯খক লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটসমেন এস জয়ন্তা অমসুং মঙাশুবা বেটসমেন এন অজিৎকী মায়কৈদগী মথংশিংনা রন ১৭ অমসুং ১৬ লৌখিবা অদুনা পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী মায়কৈদগী টি ঐচ কিষন অমসুং এল দিনাচন্দ্রনা ৱিকেট ৩/৩ লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্লনবা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী মায়কৈদগী রন ৬০ লৌগদবা অদু ১৫শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা বেটসমেন অনীখক আউট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৮দা থোইখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী কেপ্টেন পি প্রকাশ মণিগী রন ১৭, ওপনর এস জিকোগী রন ১৫ অমসুং অহুমশুবা বেটসমেন এন জি বিস্বাসকী রন ১২না মেটচ অদু মায় পাকহনখি।

হয়েংল্লু হোকখুরাই অমসুং অল অমিন লিলোং শান্নগনি।

মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা প্লেটগ্রুপকী ১৮শুবা মেটচতা ক্রাও খন্নাম বজারনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা ক্রাওগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্বা রন ওইদুনা ৱিকেট ৮ তুরগা ৩০৬ লৌবা ঙমখি।

ক্রাওগী ওপনর কে ঐচ দেনিশনা বোল ৬৬তা রন ৯৭, অতোপ্পা ওপনর এ অমিটকুমারগী রন ৩৩ অমসুং ৭শুবা বেটসমেন কালানা রন ৫০ লৌখিবা অদুনা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং ওইখি।

মায় পাক্লনবা ৱাই দব্লিয়ু সী (পি) পাৎসোইনা রন ৩০৭ লৌগদবা অদু ২৫শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ৫৪খক লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী জোন্সন অমসুং আসিশনা রন ১৪/১৪ লৌরম্বা অদুনা পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। ক্রাওগী মায়কৈদগী কালানা ওভর ৬ লংবদা মাইদান ৩ চৎহল্লগা ৱাই দব্লিয়ু সী (পি) পাৎসোইগী বেটসমেন ৬ আউট তাহন্দুনা ঙসি ফাওবগী ওইবা টুর্নামেন্ট অসিদা ক্রাওনা রন ২৫২দা থোইবা ঙমখি। হয়েং পি টি সী সী অমসুং কে এস দি ও শান্নগনি।

থৌবালদা লৈবা মোইজিং গ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ১৯শুবা মেটচতা ঈ এস য়ুনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৪০ মপূং ফাদনা ওভর ৩৭কা বোল ৪দা রন ২৪৭ লৌখি।

ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী মরিশুবা বেটসমেন রিশিকান্তনা রন ৯৮ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোরদা খ্বাইদগী চাওনা লৌবা ঙম্বা ওইখি। অতোপ্পা বেটসমেন বিমানন্দনা বোল ৪০দা রন ৩৬ লৌবা ঙম্বা অদুনা পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

নাকল অমরোমদা, মেটচ অদু মায় পাক্লনবা সী দি সীগী মায়কৈদগী রন ২৪৮ লৌগদবা অদু মখোয়গী বেটসমেন ৯মক ওভর ২৮শুবগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৫৭খক লৌখিবদগী মেটচ অদু ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেনা রন ১৯০দা থোইখি।

ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী বোলর চিত্তরঞ্জননা সী দি সীগী শান্নরোয় ৫ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি।

সী দি সীগী মায়কৈদগী মঙাশুবা বেটসমেন গিরিশনা রন ১৪খক লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী য়াম্বা রন ওইখি। মহাকনৎতনা টিম অদুগী অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা শান্নবা লোইশিনখি। গ্রুপ অসিগী ওইনা শান্নফম অসিদা হয়েং কে সী সী অমসুং এম পি এস সী ২০শুবা মেটচতা শান্নগদৌরি।

# মণিপুরদা অহানবা অল্ট্রা সাইক্লিং ইভেন্ট লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচএনএস): মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিএসনগী মশা অমা ওইরিবা ইম্ফাল রেন্দোনুৱরনা শীন্দুনা ষ্টেট অসিদা অহানবা অল্ট্রা সাইক্লিং ইভেন্ট মায় পাক্না ঙসি লোইশিনখ্রে।

কিলোমিটর ৪০০গী ওইবা অল্ট্রা দিষ্টেন্স সাইক্লিং ইভেন্ট অদু ঙরাং অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দদা সোসল এক্টিভিষ্ট অমদি মিসেস ইন্দিয়া লিগেসি ২০১৯ মিংথোল ফংখ্রবী মিসেস নিরুপামা খুমননা লমথাখিবনি। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৮গী মফমশিং য়াওনা সাইক্লিষ্ট ১০না রেজিষ্টর তৌদুনা শরুক য়াখিবনি। হায়রিবা অল্ট্রা সাইক্লিং ইভেন্ট অসি ওদেক্স ইন্দিয়া রেন্দোনিয়ুজগী চৎন-কাঙলোনশিংগী মতুংইন্না পাঙথোকপনি। বি আর এম (ব্রেভেট দি রেন্দোনুৱর মোন্দ্যুক্স) হায়না খঙনবা চীংগী অমদি মফম কা-হেন্না নুংঙাইতবা লম্বেলশিংদা সাইক্লিষ্টশিং অদুনা লম্বা তৌনবনি। সাইক্লিষ্ট ১০গী মনুংদা ৯না পুং ২৭কী ওইবা ইভেন্ট অদু মপূং ফাবা ঙমখি, ১দি য়ৌবা ঙমখিদে।

মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি অরুনকুমার অমদি সেক্রেটরি ৱাই রোবর্টসননা ইভেন্ট অসিগী শিন-লাংবগী মপূং ওইবা থবক অদু পায়খৎখি। এসোসিএসন অসিনা মতেং পাংবীরকপশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# লিওননা বোর্দোবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে

পেরিস, জন্যুৱারী ৩১(এজেন্সী): ফ্রান্সতা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মকোক্তা লৈরিবা লীগ ৱানগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা লিওননা বোর্দোবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টেবলগী মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু লিওননা য়ূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ গ্রোপামা ষ্টেদিয়মদা শান্নখি। পুংখায় অমগী মতম পাঞ্জল চন্নদনা লাকখি। অদুবু য়ূম্বু ক্লব অদুগী মায়কৈদগী কার্ল টোকো ইকম্বীনা ৩২শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ১০ চঙশিল্লকপদা বোর্দোগী মায়কৈদগী সাম্যুএল কালুনা টিমমেট রেমি ওদিননা পীরকপা বোলদা ইক্বেলাইজর অদু ৫৫শুবা মিনটতা চনখি। মেটচকী লোইশিল্লকপা ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা লিওনগী লিও দুবোইজনা টিমমেট মেক্সৱেল কোর্নেটনা পীরকপা বোলদা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনখি। টিম অসিনা মেটচ ২২ শান্নবদা পোইন্ট ৪৬ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

# কোচিং কোর্সকী কান্নবা ফংলবশিংনা অফবা কোচ ওইগনি : গ্যানেন্দ্রো



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ৩১(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ওইনা মমাংদা হোক্কী শান্নরোয় ওইখিবা মীওইশিং খনগৎতুনা হোক্কী ইন্দিয়ানা কোচিং এদ্যুকেসন পাথৱে লেভেল ৱান কোচিং কোর্স ২০২১ পাঙথোকখ্রে। মদুদা মায় পাল্লবা মীওইশিং অদুনা তুংদা অফবা কোচ ওইগনি হায়না হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা ফোঙদোকখ্রে।

লেভেল ৱান কোচিং কোর্স অসি ন্যু দেল্লীদা থা অসিগী ২৯দগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ১ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মদুগী মখা তারকপদা ফেব্রুৱারী ৩দগী ৬ ফাওবা ওরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা অমুক্কসু পাঙথোক্কদৌরি। চহী অমরোমগী মতম লৌদুনা পাঙথোক্লিবা হোক্কী ইন্দিয়া কোচিং এদ্যুকেসন পাথৱে লেভেল ৱান কোচিং কোর্স অসি তোঙান-তোঙানবা লৈবাক অসিগী মফমদগী লাকপা কেন্দিদেট ১০০ হেনবনা কান্নবা ফংগদৌরিবনি।

মমাংদা ইন্দিয়াগী ইন্টরনেসনল হোক্কী শান্নরোয় ওইরম্বা ডা. এ বি সুবায়া (অর্জুনা এৱার্দী), সাবু ভারকে (ওলিম্পিয়ন), দাবিন্দর কুমার (১৯৯৮ সিনিয়র ৱর্ল্ড কপ), বিরেন্দর সিংহ (১৯৯৭ জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ সিলভর মেদলিষ্ট), দিপিকা মুর্টি (২০০৬ ৱর্ল্ড কপ) অমসুং দিপিকা (অর্জুনা এৱার্দী, ওলিম্পিয়ন)নচিংবা কয়া অমনা কোর্স অসিগীদমক্তা এনরোল তৌখি। কোচিং কোর্স অসি হোক্কী ইন্দিয়ানা বেটচ মরি থোক্না খায়দোক্লি। অহানবা বেটচ অদু জন্যুৱারী ২৯ অমসুং ৩০দা পাঙথোকখি। অনীশুবা বেটচনা জন্যুৱারী ৩১ অমসুং ফেব্রুৱারী ১দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্লিবনি। লোয়ননা অহুমশুবা বেটস অদুনা ফেব্রুৱারী ৩ অমদি ৪দা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্লগা মফম অদুমক্তদা মরিশুবা বেটচ অদু ফেব্রুৱারী ৫ অমসুং ৬তা পাঙথোক্কদৌরিবনি। শরুক য়ারিবা কেন্দিদেটশিংনা ফোঙদোরকপদা শান্নরোয় অমা ওইরম্বদগী কোচকী লম্দা লাকপগী লম্বেলদা অচৌবা কান্নবা ফংই হায়খি।

ꯂꯩꯅꯤꯡꯊꯧ ...
LANLEIMA VENTURES PVT.LTD.
+91-8431803610, +91-9362273890
lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com
Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB, Imphal East Dist., Manipur (795010)

NOTIFICATION FOR RECRUITMENT
Vide letter no. LVPL/REC/001-2020, Dec. 29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in Lanleima Ventures Private Limited. A Pvt. Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA New Delhi under Companies Act. 2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos. | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | General Manager | 01 | MBA (Fin.) | 18,000/- - 36,000/- |
| 2. | Asst. Gen. Manager | 01 | MBA (Fin.) | 16,000/- - 32,000/- |
| 3. | Branch Manager | 02 | MBA (Fin.) | 14,000/- - 28,000/- |
| 4. | Asst. Br. Manager | 02 | BBA (Fin.) | 12,000/- - 22,000/- |
| 5. | Project Manager | 04 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 6. | Project Consultant | 06 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 7. | Office Secretary | 01 | Graduate | 10,000/- - 18,000/- |
| 8. | Computer Optr. | 08 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |
| 9. | BDO | 120 | 10+2 | 06,000/- - 10,800/- |
| 10. | Cashier | 02 | B.com | 07,500/- - 12,000/- |
| 11. | Loan Manager | 06 | Graduate | 08,000/- - 16,000/- |
| 12. | Loan Officer | 08 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 13. | CRM | 02 | BBA/MBA | 08,000/- - 16,000/- |
| 14. | CRO | 04 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 15. | Office Assistant | 02 | XII | 06,000/- - 10,800/- |
| 16. | Recovery Staff | 48 | 10+2 | 08,000/- - 12,500/- |
| 17. | Marketing Manager | 02 | MBA Marketing | 12,000/- - 28,000/- |
| 18. | Marketing Excutive | 12 | Graduate | 07,500/- - 16,800/- |
| 19. | Loan Inspectors | 05 | 10+2 | 06,500/- - 12,500/- |
| 20. | Accountant | 02 | B.com wt. tally | 07,000/- - 12,000/- |
| 21. | Finance Executive | 15 | X or XII | 06,500/- - 12,500/- |
| 22. | Co-ordinator (Livelihoods @ Farm) | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 23. | Cluster Co-Ordinator | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 24. | Cluster Dev. Officer | 20 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 25. | PRO | 08 | 10+2 or Graduate | 06,500/- - 12,500/- |
| 26. | Pro. Dev. Executive | 12 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |

Interested Candidates may collect the application form from the Head Office of the Lanleima Ventures Private Limited located at Khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is wednesday the 10th Febuary, 2021. For more details please contact us @ Mail ID : lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Lanleima Ventures Private Limited
HL-P/8725/29/1-12/2

DELTA ONE SECURITY SERVICE (OPC) PVT. LTD.

NOTIFICATION FOR RECRUITMENT
Vide letter no. DELTA/REC/0010-2020.Dec.29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) PVT. LTD. A Pvt Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA , New Delhi under Companies Act.2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Chief Security Officer | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Col.(Retd.) | 25000/- -38000/- |
| 2. | Security Superintendent | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Maj. | 22000/--34000/- |
| 3. | Security Officers | 02 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 4. | Security Supervisors | 06 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 5. | Armed Security Guards | 160 | X or XII | 10000/--18500/- |
| 6. | Civilian Guards | 160 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 7 | Payroll Officer | 01 | M.com | 13000/- -20000/- |
| 8. | PSO | 12 | 10+2 or Graduate | 12000/- -22000/- |
| 9. | K 9 Squads | 08 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 10. | Front Office Exe. | 06 | Graduate | 8500/- -15400/- |
| 11. | Driver | 12 | X or XII with valid Licence | 8500/- -15400/- |

Interested Candidates may collect the application from the Head Office of the DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) Private Limited located at khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is Friday the 25th Febuary,2021. For more details please contact us @Mail ID : dhrmpvtltd@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Delta One Security Service(OPC) Pvt. Ltd
+91-8431803610, +91 9362273890
dhrmpvtltd@gmail.com
Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB,Imphal East Dist., Manipur (795010)
HL-P/8725/29/1-12/2

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com